# দুরান্দ কপ : নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদনা সুদেভা দেল্লী থোইদুনা কেম্প্যেন লোইশিনখ্রে



গুৱাহাটি, সেপ্টেম্বর ২ (এজেন্সী):
নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীনা সুদেভা দেল্লী এফ সীবু ২-০দা ঙসি গুৱাহাটিগী ইন্দিরা গান্ধী এথলেটিক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ দিগী মেটচ অমদা মায়থীবা পীদুনা দুরান্দ কপকী কেম্প্যেন লোইশিনখ্রে।

নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদনা পোইন্ট ৩ ফংদুনা গ্রুপকী টেবলগী ৪শুবা পোজিসনদা লৈদুনা কেম্প্যেন লোইশিনখিবনি। অদুগা সুদেভা দেল্লীনা পোইন্ট ২ ফংদুনা টেবলগী ইরোই লোইবা মফমদা লৈহৌখিবনি।

নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ অমদি সুদেভা দেল্লী অনীনা শান্নখিবা মেটচতা টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা দ্রো ওইখি।

মখা তাবা অনীশুবা হাফকী শান্নবদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী জিথিননা লেফ্ট ফ্লেঙ্কতগী সুদেভাগী দিফেন্দর অনী নাথৈরম্লগা ১৮ য়ার্দ বোক্স তম্না পুশিল্লকখিবা বোল অমা খায়দোরল্লবা মতুং কেপ্টেন দিপু মির্ধানা নীংথিনা ফাদুনা কাওশিল্লকখিবা বোল অমা নেট শোক্তুনা শান্নবগী ৬৪ শুবা মিনটতা নোর্থইষ্ট য়ুনাইটেদকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জ্যুরি টাইমদা দিপুনা সুদেভা দেল্লীগী ১৮ য়ার্দ বোক্স তম্না পুশিল্লকপা বোল অমা গোলকিপর সচিননা ফানবা হোৎনবদা ফাউল তৌরুবদগী রেফরিনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী ফেভরদা পেনাল্টি অমা পীখি। স্পোট কিক্ অদু গনি অহমদ নিগমনা গোল ওন্থোক্তুনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, কোলকাটাগী ভিৱাই বি কে ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা মোহমেদন স্পোর্টিং ক্লব অমদি বেঙ্গলুরু এফ সী ১-১দা দ্রো ওইখিবগা লোয়ননা টিম অনীমক ক্বার্টর ফাইনেল ক্বালিফাই ওইখ্রে।

মোহমেদনগী গোল অদুনা প্রিতমনা শান্নবগী ১৩দা অদুগা বেঙ্গলুরুগী গোল অদুনা শিব শকথিনা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জ্যুরি টাইমদা চনবনা ঙমখিবনি।

# কলয়ান চৌবে এ আই এফ এফকী প্রসিদেন্ট খনখ্রে

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ২ (এজেন্সী):
সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী ওর্দর মতুংইন্না ঙসি ন্যু দেল্লীগী ফুটবোল হাউসতা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্সিএল মীখলদা মায় পাক্তুনা কলয়ান চৌবে অনৌবা প্রসিদেন্ট খনখ্রে।



ষ্টেট এসোসিএসন ৩৪গী ইলেক্টোরেলশিংনা থাদখিবা প্রসিদেন্ট ফমগী মীখল অসিদা চৌবেনা ভোট ৩৩ ফংবা ঙমখি অদুগা মহাক্কী অমত্তা ঙাইরবা রাইভেল ভৈচুং ভুটিয়ানা শুপ্নগী ভোট অমখক্তং ফংখি।

এন এ হরিশনা ভাইস প্রসিদেন্ট ফমগী ওইনা মায় পাকখ্রে। মহাক্না পূন্না ভোট ২৯ ফংবা ঙমখি অদুগা মহাক্কী রাইভেল মনভেন্দ্র সিংহনা ভোট ৫ ফংখি। কিপা অজেনা ভোট ৩২ ফংদুনা গোপালকৃষ্ণ কোসারাজুবু মায়থীবা পীরম্লগা ট্রেজরর ফমগী ওইনা মায় পাকখি।

মখা তানা লম্বা য়াওদনা এ আই এফ এফকী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মেম্বর ১৪সু খনখি।

ঙসিগী মীখল অসি ফিফাগী ওবজর্ভর রোল্ফ টেন্নর অমদি এ এফ সীগী ওবজর্ভর সোনম জিগমিগী মাংদা উমেশ সিংহনা রিটর্নিং ওফিসর অদুগা টাপস ভট্টচারিয়ানা এসিষ্টেন্ট রিটর্নিং ওফিসর ওইনা পাঙথোকখি।

মীখল অদুদা ফিফাগী আর দি ও প্রিন্স রুফসসু শরুক য়াখি।

এ আই এফ এফকী কো-ওপ ওইনা হান্নগী ইমিনেন্ট প্লেয়রশিং- ভৈচুং ভুটিয়া, আই এম ভিজয়য়ান, শাবির অলি, ক্লাইমেক্স লোরেন্স, পিঙ্কি বোমপাল মগর অমদি থোঙাম তাবাবীবু খনখি।

# প্রেমিয়র লীগ : জেদন সেঞ্চোগী গোলনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা লেষ্টর সিটি থোইখ্রে

লন্দন, সেপ্টেম্বর ২ (এজেন্সী):
জেদন সেঞ্চোনা শান্নবগী ২৩শুবা মিনটতা চনখিবা গোলগী মতেংনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা লেষ্টর সিটিবু ১-০দা চথরিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি কিং পাৱর ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।



মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী ঙসিগী মায় পাকপা অসিনা অনৌবা মেনেজর ইরিক টেন হেগকী মখাদা প্রেমিয়র লীগ অসিদা থংন-থংননা মায় পাকপা অহুম্লকশুবনি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ ১১শুবা মিনটতা য়ুনাইটেদকী মেলাসিয়া, ফর্নান্দেজ অমদি সেঞ্চোনা পূন্না পুশিল্লকখিবা বোল অমা বোক্সকী মতোন্দগী কাওশিল্লকখিবা বোল অমা ওই থংবা পোষ্টকী নাকন্দা চৎখিবদগী অরেম্বা তাখি।

লেষ্টর সিটিগী গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা অমা শান্নবগী ২১ শুবা মিনটতা মেদিসননা শাফূ কন্না ওই থংবা খোঙনা কাওশিল্লকখিবা বোল অমা য়ুনাইটেদকী গোলকিপর দি জিয়ানা নীংথিনা ফাদুনা অরেম্বা তাহনখি।

মখা তাবা য়ুনাইটেদকী কাউন্টর এটেক অমা ফর্নান্দেজনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা রাশফোর্দতা খায়দোরল্লবা মতুং অমুক হন্না জেদন সেঞ্চোদা পীদুনা লেষ্টরগী ৱার্দপু নাথৈরম্লগা কাওশিল্লকখিবা বোল অমা নেট শোক্তুনা শান্নবগী ২৩ শুবা মিনটতা য়ুনাইটেদকী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল চনবা ঙমখি।

গোল চনখ্রবা মতুং য়ুনাইটেদকী গোল হাপচিনবা য়াবা তাঞ্জা অমা শান্নবগী ৩৭ শুবা মিনটতা সেঞ্চোনা কাওশিল্লকখিবা বোল অমা দিফেন্দর জষ্টিননা ঙাকথোক্তুনা অরেম্বা তাহনখি। অনীশুবা হাফতা লেষ্টরগী গোল হন্দোকপা য়াবা তাঞ্জা অমা মেদিসননা য়েৎ থংবা কোর্নর মতোন ২৫ য়ার্দতগী কাওরকখিবা ফ্রী কিক্ অমা য়ুনাইটেদকী গোলকিপর দি জিয়ানা নীংথিনা ফাদুনা অরেম্বা তাহনখি।

য়ুনাইটেদকী গোল চনখিবা জেদন শান্নবগী ৬৮ শুবা মিনটতা শীন্দোক্তুনা ক্রিষ্টিয়ানো রোনাল্ডো চঙহনখি। মখা তাবা টিম অনীনা অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা ফংনরবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্নদবদগী য়ুনাইটেদনা লেষ্টর সিটিবু ১-০দা মায়থীবা পীখিবনি।

## এল মেমচা সুপর দিভিজন লীগ

# দব্লিয়ু ৱাই এফ সী ৱাংজিংনা আর পি য়ু পাপল মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২ (ঐচএনএস):
দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালনা শীন্দুনা কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্স ৱাংজিংদা চথরিবা এল মেমচা মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা দব্লিয়ু ৱাই এফ সী ৱাংজিংনা আর পি য়ু পাপলবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।



শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা দ্রো ওইখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবা হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ ৱাংজিং টিমগী কাউন্টর এটেক অমদা পাপলগী দিফেন্দর রিশিকান্তনা ঙাকথোক্নবা হোৎনরুবদা ১৮ য়ার্দ বোক্স মনুংদা ফাউল তৌরুবদগী রেফরি এম রোশনী চনুনা ৱাংজিং টিমগী ফেভরদা পেনাল্টি অমা পীখি। স্পোট কিক্ অদু এম মার্জিৎনা শান্নবগী ৪৩ শুবা মিনটতা গোল ওন্থোক্তুনা মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল চনবা ঙমখি।

মখা তাবা অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা গোল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী দব্লিয়ু ৱাই এফ সীনা আর পি য়ুবু ১-০দা মায়থীবা পীখি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা পাপলগী টি ঐচ রাকেশসু শান্নবগী ৬৭ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই দি সী খোইরোম অমদি দি য়ু সী চরাংপাৎ গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা দ্রো ওইখ্রে। মেটচ অসিদা রেফরিনা খোইরোমগী মালেমঙানবা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখিবনি।

# মুইএথাই য়ুঠ ৱর্ল্ড মেদলিষ্ট লিগার্দসন অমদি ষ্টেলিন পূক্নিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২ (ঐচএনএস):
ইন্টরনেসনল ফেদরেসন ওফ মুইএথাই এসোসিএসননা শীন্দুনা মালেসিয়াগী সনৱে পাইরামিদ কনভেন্সন সেন্টরদা ওগষ্ট ৯দগী ২১ ফাওবা পাঙথোকখিবা আই এম এফ এ মুইএথাই য়ুঠ ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা মেদল লৌরকখ্রবা ষ্টেটকী শান্নরোয় অনী- নাওরেম লিগার্দসন মঙাং অমদি খুন্দ্রাকপম ষ্টেলিন ঙসি তেরাগী আইদিএল ক্লব কমপ্লেক্সতা পাৎসোইগী এম এল এ সাপম কুঞ্জকেশ্বরনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।



লিগার্দসন কোংবা লাইশ্রম লৈকাইদগী নাওরেম জোন্সন অমদি হাওরোংবম বিজেতাগী মচানুপানি। মহাক্না চহী ১২-১৩ কাঙলূপকী কেজি ৪৪দা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি। ষ্টেলিননা চহী ১৬-১৭ কাঙলূপকী ৱাইক্রু ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি। মহাক কোংবা লাইশ্রম লৈকাইদা লৈবা খুন্দ্রাকপম সোমোরজিৎ অমদি খুন্দ্রাকপম ওংবী সুবিতাগী মচানুপানি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা ষ্টেট অসিদগী শান্নরোয় ৭না ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াখিবনি।

থৌরমগা মরী লৈননা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা এম এল এ কুঞ্জকেশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিদগী শান্নরোয়শিংনা মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা চেম্পিয়নশিপশিংদা মেদল লৌরকপা অসি অনৌবা নত্তে। ষ্টেট অসিদগী শান্নরোয় ৭না শরুক য়াখিবদা অনীনা মেদল লৌরকপা অসি নুংঙাইবা ফাওই হায়খি।

ষ্টেট অসিগী ওইনা য়াওশঙগী মতমদা তোঙান-তোঙানবা ক্লবশিংনা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল অমা ওইনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি য়াম্না অফবা খোঙথাং অমনি। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না শক খঙনরবা শান্নরোয়শিং অমদি ফাওগৎলক্লিবা শান্নরোয়শিংগী তোঙান-তোঙানবা মীয়াম্না খঙনদবা ৱারী কয়া শোয়দনা লৈরমগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

এম এল এনা মখা তারদুনা মহাক্কী মায়কৈদগী শান্নরোয়শিংগী অমদি মহৈরোয়শিংগী য়াইফনবা অঙম্বা মতেং পাংখিগনি হায়খি।

## ইবোপীশক সুপর দিভিজন লীগ

# জি দি সী থিনুঙ্গৈ, আর এফ সী সী মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২ (ঐচএনএস):
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা অহানবা থোকচোম ইবোপিশক সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা জি দি সী থিনুঙ্গৈনা এন সী ৱাই দব্লিয়ু ও নুংশাই চিরুবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

থিনুঙ্গৈগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু এন বিজয় অমদি টি ঐচ হেরোজিৎনা ২শুবা হাফকী শান্নবগী ৫১ অমদি ৮০ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা আর এফ সী সী কৈনৌনা কে পি এফ সী খা-পোৎশংবমবু ৪-১দা মায়থীবা পীখি।

কৈনৌ টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এ সেমসন, টি ঐচ রোবর্টসন, এল দেভিদ অমদি কে ঐচ বিকাশনা চনবা ঙমখি। অদুগা খা-পোৎশংবমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা ও নোংদম্বনা অনীশুবা হাফতা চনবা ঙমখিবনি।

# ষ্টেট জম্প রোপ চেম্পিয়নশিপ, টেক্নিকেল সেমিনার পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২ (ঐচএনএস):
স্পোর্টেনস এসোসিএসন ওফ জম্প রোপ মণিপুরগী লমজিং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট জম্প রোপ এসোসিএসন ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা ৪শুবা সব-জুনিয়র, জুনিয়র অমদি সিনিয়র ষ্টেট লেভেল জম্প রোপ চেম্পিয়নশিপ ২০২২ ওক্টোবর ২২দগী ২৪ ফাওবা ইম্ফাল ইষ্টকী তুলিহল কম্যুনিটি হোল য়াইরিপোক্তা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি মোহমদ সায়দ অহমদনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

শরুক য়ানিংবশিংনা এসোসিএসনগী টেক্নিকেল কম্মিটিদা ওক্টোবর ১৫ ফাওবগী মনুংদা এন্ট্রি ফোর্ম পীশিল্লক্লবা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল জম্প রোপ টেক্নিকেল (জজ অমদি রেফরি) সেমিনার চপ মান্নবা মফমদা ওক্টোবর ৮দগী ৯ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। শরুক য়ানিংবশিংনা ওক্টোবর ৫ ফাওবগী মনুংদা এন্ট্রি ফোর্ম পীশিল্লক্লবা হায়রি।

## সঙ্গিতা ফর্ষ্ট দিভিজন লীগ

# আই এফ সী অমদি বি এম এস সী দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২ (ঐচ এন এস):
ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা সেকমাইগী এস কে ৱাই সী গ্রাউন্দদা চথরিবা সঙ্গিতা মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা আই এফ সী লম্ফেল অমদি বি এম এস সী তৌবুংখোক ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

লম্ফেলগী সোমিশিম এনা শান্নবা হৌরকপগী অহানবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনখিবগা লোয়ননা তৌবুংখোক টিমবু ১-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা বিনোদনা শান্নবগী ৫৫ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা ১-১দা দ্রো ওইখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এস সী কে কোদোমপোকপীনা ৱাই য়ু সী ইরোম মৈজ্রাওবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

কোদোমপোকপী টিমগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু কে ৱিলিয়মনা শান্নবগী ১৩ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মেটচ অসিদা রেফরি ঐচ মহেশনা মায় পাকখিবা এস সী কেগী মিলন অমদি অলোন অদুগা ৱাই য়ু সীগী ভন্দমান, তোম্বা, উমাকান্ত, মহেশ অমদি বিষনবু য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

# ভোভিনাম ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২ (ঐচএনএস):
লক্ষ্ণৌনা য়ূম্বু ওইদুনা থা অসিগী ২২দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১১ শুবা নেসনল ভোভিনাম চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর টিম শেম্নবগী ট্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ৪গী অয়ূক পুং ৭.৩০দগী হৌদুনা খুমন লম্পাক ইন্দোর হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না ভোভিনাম এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরি দেবেন মোইরাংথেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ট্রায়ল অসিবু শরুক য়ানিংবা রেজিষ্টর তৌরবা ভোভিনাম শান্নরোয়শিংনা য়ুনিফোর্মগা লোয়ননা মতম চানা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।


# জপান ওপন : ঐচ এস প্রনোয় ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌরে

ওসাকা, সেপ্টেম্বর ২ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী ষ্টার শট্লর ঐচ এস প্রনোয় চাইনিজ টাইপৈগী চৌ টিয়েন চেনগী মখূৎতা চথরিবা জপান ওপনগী ঙসি শান্নখিবা মেন্স সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীদুনা লৈহৌরে।

চহী ৩০ শুরবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়না পুং ১গা মিনট ২০ চুপ্পা শান্নখিবা মেটচতা চৌগী মখূৎতা ১৭-২১, ২১-১৫ অমদি ২০-২২দা মায়থীহৌখিবনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE

### PUZZLE NO. 561



Rune Djurhuus (2405) - Fabrice Liardet (2300)
29th World U20 Ch Santiago de Chile CHI (9), 1990

1.Nc3 Nf6 2.d4 c5
3.Nf3 cxd4 4.Nxd4 d5
5.Bg5 e5 6.Ndb5 a6
7. ...

**QUESTION :**
White to win

**Puzzle 560 Ans. :**
20. ...Qxd1 21. Rxd1 Nc5 22. Rxd8 Rxd8 The black rook captures White's rook, which was defending the square d1. 23. Qxa7 Rd1+ 24. Ne1 Rxe1# Back-rank mate
0-1

SPOKEN ENGLISH
Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary
Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal
(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)
Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)
Contact Numbers: 8132904426, 9362150894
HL-B/7775/1/9-1/10

SMART TUTORIAL CENTRE
SINGJAMEI SUPER MARKET
ADMISSION OPEN
WEBSITE: https://smarttutorial.org/
BOSEM/COHSEM/CBSE Separate class
SCIENCE, ARTS & COMMERCE
MEDICAL, ENGINEERING & NDA course for 2023
16th FOUNDATION COURSE 2022 (2nd batch) FOR CLASS IX, X, XI & XII
CLASS START : 10th, 17th, 24th August 2022
HOSTEL+VAN SERVICE available for both boys & girls
FREE supply of printed questions & answers, weekly exam and MEGA TEST
ALL SUBJECTS
CALL: 8787601123, 03857966211
Experience Teachers from (FORMER & WORKING IN) Morning 6:30 to 8:00 am / Evening 4 to 7:20 pm
CBSE SCHOOL: UNACCO, MARIA MONTESSHRI, KV Lamphelpat, KANAN DEVI & SISHU SIKSHA NIKETAN
BOSEM/ COSHEM: MECI, COMET, XTRA EDGE, HERBERT, IPS & STANDARD ROBERT
HL-B/7728/10/7-6/9(alt)



HL-B/7804/19/8-16/9(alt)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com